# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable


মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়ন সোসাইটি ফোর কলচরেল কোওপরেসন এন্দ ফ্রেন্দশিপনা শীন্দুনা চন্দ্রক্রিটি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা স্পেসল কলচরেল প্রোগ্রাম



রিমস রোদতা লৈবা এম এম গ্যাস সার্বিস মনাক্তা বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলগী ওফিস অমা খুমুকচম জয়কিষণ অমসুং পার্টি অসিগী লূচিংবা শান্তি কুমারনা হাংদোকপা



মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর কয়ারক ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী নীংশিং খুৎমদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী শক্তম



এস বি আই, আর বি ওনা শীন্দুনা এস বি আই দিজিটেল বেঙ্কিংকী মরমদা খঙহন্নবা কেম্পেন অমা এস বি আইগী জেনরেল মেনেজরনা লমথাবগী শক্তম




Vol. 40, Issue No.245 | শগোলশেন, পোইনু ৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, December 08, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL POLL

**Q :** United Committee Manipur na tha asigi 9da kouriba meefamna blockade loisinba ngamgani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Manipur leingakna meekhal mayasida Sadar Hills amasung Jiribam district semle haina laothorakdra?

Yes 30% No 70%

## অস! লোইরেহে!

নুপী লোনবদা নখোয়সি নম্বর ১নি!



খঙদে, খাকি মচুসি উবদা তোলোপ শোইদ্রেনা পংকেন্দা কেনশিল্লকই!

# ইকনমিক ব্লোকেদ-য়ু সী এমনা হয়েং ফুরুপ খূদিংমক্কী ওইবা মীফম কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না হৌখিবা নবেম্বর ১দগী চথরকখিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা মীয়াম খমথেংনা ৱারিবসিগী মতাংদা খন্ন-নৈননবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না ফুরুপ খূদিংমক্কী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ৯গী অয়ুক পুং ১০দা কৌখ্রে।

পাউমীশিংগা ঙসি উনবদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা হায়খি, মীফম অসি ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল (জি এম) হোলদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা কাঙলুপ খূদিংমক্কী লূচিংবশিং শরুক য়াবীনবা মরী লৈনবা খূদিংদা আপিল তৌখ্রে।



নেসনল হায়ৱেশিংদা য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিবসি পুং ৭২গী মনুংদা হন্দোক্কদবনি হায়না হৌখিবা দিসেম্বর ৪দা য়ু সী এমনা মতম থাখি। য়ু সী এমনা থাখিবা মতম অসি মীয়ামগী ৱারবা তানফম অসিদা হেন্না লুম্না লৌজবদগীনি। মসিদা য়ু এন সীনসু মীয়ামগী অৱাবশিং হেন্না লুম্না লৌদবগী থৌওং অমসুং তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী অৱাবা য়েংবগী মথক্তা ব্লোকেদ অসি মখা চথখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ মখা অদুম চথখিগনি হায়না লৌখিবা ৱারেপ অসিগী মতাংদা মণিপুরদা খুন দারিবা কাঙলুপ খূদিংমক্কী ওইবা অপুন লূপ অমা ফমদুনা ৱারেপ লৌবা মতম ওইরে খনবদগী মীফম অসি য়ু সী এমনা কৌখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মীয়ামগী ৱাখলদা পাখৎপা নুংনাংবা পুন্নমক থাদোক-পীরগা তংদু লৈতাবা পুন্সিরোল অমদা লৈমিন্ননবা ঐখোয় পুন্নমক চুংশিন্নবা মতম য়ৌরে। য়ু এন সীনসু মখোয়না লৌখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ মখা চথবগী ফিরেপ হন্দোকপীরক্কনি নীংই।

## মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মিতমদা লৈ কৎনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): থেঙ্খাং কয়ারক্তা মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইদুনা মীয়ামগী থবক কয়ামরুম তৌরম্বা লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বীগী ২২শুবা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম ঙসি মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

অফবা খুন্নাই অমগীদমক অপীকপা ৱাখল থাদোক্লসি হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা থৌরমগী হৌরকপদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেট-রিশিং, এম এল এশিং অমসুং মীয়াম্না লৈখিদ্রবা এম ইবোতোম্বীগী মিতমদা লৈ-শু কত্তুনা ঈকায় খুম্নখি।

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা হৈরোক ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ট্রষ্ট অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীবু মাঙনবা শিনবা, মী হাৎতোকপা হায়বসি অরাইবা থবকনি। মীবু মাঙনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবা মীশক্তু খ্বাইদগী পাংদবনি। অদুগুম্বা মীশক অদু ঐখোয়না লমন খুমগদবা নত্তে, তাইবঙ মপুনা ৱায়েঞ্জগদবনি।

মহাক্না হায়খি, মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লমদমসিগী অশেংবা পোলিটিকেলগী মশক পুরক্কবা, কাঙলুপ খূদিংমক নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা মীশকনি। মহাক্কী মতিক ময়াই নোংমা ...

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## য়ুহা হাবদা মীওই ১০০ হেন্না শিরে

মিউরিউদু, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দোনেসিয়াগী অসেহ প্রোভিন্সতা মেগ্নিচ্যুট ৬.৫ য়ৌনা য়ুহা হাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ রোম শিরে। থৌদোক অসি লোকল টাইমদা ঙসি অয়ুক পুং ৫.০৩ রোম তাবদা সমুদ্রগী ঈশিং ইমায়দগী কিলোমিটর ১৭ লুথবা মফমদা থোকখিবনি। য়ুম-কৈ কয়ামরুম নিংখায়খিবা থৌদোক অদুগী তুংদা সুনামি থোকখিদে হায়রি।

(মপুং ওইবা পাউ লামায় ৯দা)

# শেল লৌথোক্লবা ক্যু লেপ্পদা লেকথরকখিবা অহল লৈখিদ্রে

## এ টি এমদা বেঙ্কনা শেল নীংথিনা হাপত্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): বেঙ্ক অমসুং এ টি এম বুথশিংদগী শেল লৌথোক্লবা মতম শাংনা ক্যু লেপ্পদা লেকথরক্তুনা শিখিবগী পাউ মণিপুরদসু য়ৌশিল্লক্লে।

ইম্ফালগী হেদ পোষ্ট ওফিসতা মশাগী একাউন্টতগী শেল লৌথোক্লবা ক্যু লেপ্পা অহল অমা থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা লেকথরকপদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমীং অকোয়জম ইবোহনবী (৬৬) অপোকপা এ কে নিলা কৌই। মহাক থৌবাল ৱাংমা তাবা ময়াই লৈকায়দা লৈবনি।

লৈখিদ্রবা ইবোহনবী হান্না ইম্ফালগী টেলিকোম ওফিসতা থবক তৌরম্বদগী পেন্সন চৎলবা মতুংদা মহাক থা অসিগী ৫ দা হেদ পোষ্ট ওফিসতগী শেল লৌথোক্লবা মীয়াম মরক্তা ক্যু লেপ্পদা লেকথরকখিবনি হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পাউচে অসিদা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খমথেংলবা অৱাবসি মণিপুরদসু চপ চানা ফংলি। মীওই কয়ানা অয়ুক-নুংথিল-নুমিদাং থিদনা লুপা ২০০০ খক লৌথোক্লবগীদমক এ টি এম বুথশিংগী মমাঙদা পরেং শানা লেপ্পরি। অদুবু এ টি এম বুথশিংগা মরী লৈনবা বেঙ্ককী ষ্টাফশিংনা শেল নীংথিনা হাপতে অমসুং চাং নাইদে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মশা মশাগী একাউন্টতগী শেল লৌথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি।

আর বি আইনা মণিপুর মীয়ামগী অনৌবা দিনোমিনেসন চাং য়াম্না লীক্লা পীরকপনা মরম ওইরদুনা এ টি এমশিংদা শেল নীংথিনা হাপত্রিব্রা নৎত্রগা শেল হাপ্লবা মী লৈত্রব্রা হায়না মীয়াম্না ৱাহং হংনরি।

মরক অসিদা, ঙরাং নুংথিল পুং৩.৩০ রোম তাবদা খুয়াথোংগী পি দব্লিউ দি মনাক্তা লৈবা এ টি এম বুথ অমা শেল লৌথোকপা লাকপদা শেল য়াওরমদবদগী মীওই অনীনা এ টি এম বুথ অদু থুগায়রল্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অনী অদুসু পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওই অনী অদুগী মমীং ওইনাম হেমন্ত (৩০) অপোকপা ও তোম্বা অমদি নামৈরাকপম রোবি (৩১) অপোকপা এন অমুবী কৌই। মখোয় অনীমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইথম নুঙ্গোইদা লৈবনি হায়রি।

ওইনাম হেমন্তদি মণিপুর রাইফলসকী ৬ শুবা বট্টালিয়নদা পুলিস পর্সনেল ওইনা লৈবনি হায়রি। মখোয় অনী পি দব্লিউ দি ওফিস মনাক্তা লৈবা সী আর পি এফ পার্সনেলশিংনা ফারগা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকপনি হায়রি।

# ওইল টেঙ্করশিং ইম্ফাল য়ৌরক্লে

## মাওদা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং লৌবা চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): জীরিবামদগী ইম্ফাল তম্না চৎখিবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুরকপা টেঙ্করশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ট্রক ৪৭৬ রোম ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ইম্ফালদা থুংলরে।

ইম্ফালদা থুংলরবা গাড়ীশিং অদুগী মনুংদা পেট্রোল পুবা টেঙ্কর ৪৩, দীজল পুবা টেঙ্কর ৮১, এল পি জি বুলেট ৮৮, এ টি এফ পুবা টেঙ্কর ১০, ওক্সিজেন পুবা টেঙ্কর অমা, এফ সী আইগী চেঙ পুবা ট্রক ২৩, সিমেন্ট পুরকপা ট্রক ৮৭, হীদাক-লাংথক পুরকপা ট্রক অমা য়াওরি।

তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুরবা ট্রক ৪৭৬ অদুনা ইম্ফালগীদমক খোঙশানখ্রবা তুংদা হৌজিক হৌজিক জীরিবামদা গাড়ী ৪৭০ রোম পন্দুনা লৈরি। বরাক থোং য়ারক্তবনা মরম ওইরদুনা লম্বী অসিদা পোৎ পুবা ট্রকশিং চঙহল্লক্তনবা খঙহল্লকখিবা মতুং ইন্না জীরিবামদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ী পূম্নমক পুথোকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

মরক অসিদা, মাওরোমদা পন্দুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুবা ট্রকশিং লৌরুনবগীদমক ঙসি নুমিদাং মণিপুর পুলিসকী মশীং য়াম্লবা পার্সনেলশিং নেসনল হায়ৱে-২ রোমদা থৌজিনখ্রে। পার্সনেলশিং অদুনা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা ট্রকশিং অদু পুথোক্লবা শেম শারি।








VOTE FOR BJP

VOTE FOR BJP

We Support

**KEISHAM NINGTHEMJAO SINGH (K.N. SINGH)**

**Active Member B.J.P. Manipur Pradesh**

**7-Andro AC, Chief Functionary People Welfare Society**

Having a good Nation adorned with the requisite amenities for sound sustenance, equality in the eye of law and natural justice and all round development, is the dream for all of us. To achieve this goal, BJP led NDA Govt. in the centre, under the dynamic leadership of Shri Narendra Modiji, the Hon'ble Prime Minister of India endeavouring had with the goal being almost achieved. India knows his sincere self-sacrificing effort with dedication for the cause of the Nation. To say one in 7-Andro A/C, following his principle. Shri Keisham Ningthemjao Singh (KN Singh) is no less to be reckoned with as proved by the fact that he along with the United Progressive Committee 7-Andro A/C and the voters residing in the areas ranging from 1 to 44 polling stations have been implementing various programmes such as :

1. Electrification of Andro Khoibu Khunou (Minority S/C community).
2. Digging of ponds at Andro Khuman for available of drinking water.
3. Construction of IVR connecting between Andro Machengpat and Khoibu Village Road.
4. For Mass Employment Generation programme at Yairipok Top Chingtha, Lemon Grass plantation scheme taken up.
5. Solar light electrification in Thoubal District.
6. To take up Roof-Top Rain Harvesting Scheme in Imphal East.
7. Providing generators and Grand size solar lamp to the students of Ashrafia Madrassa in Yairipok Ningthounai.
8. Piggery Project implementation giving benefits to the beneficiaries of Andro S/C community.
9. Bee Keeping Industry project for all men and women.
10. To make 7-Andro A/C a Industrialised Model Kendra giving benefits to the farmers, turmeric and ginger plantation with the assistance from MSME, Govt. of India by virtue of MOU is going to be taken up.

His approach is very much dynamic, visionary and forceful in action. His resolute stand insists towards shining of Andro A/C in varied field with aspiration for materialising his visions for the Nation.

1. Make Andro A/C a Model Constituency.
2. To promote tourism.
3. Make eradicate corruption.
4. Bring transparent and accountable administration.
5. Honour the dignity of labour with fixing reasonable wages.
6. Keep honour of all communities.
7. Eradication of poverty.
8. To solve unemployed problem.
9. To improve women's economy empowerment.
10. Education for all.
11. To promote games and sports.
12. To keep install BJP Govt. in the state from 2017 onward.

We unanimously decide with resolute stand to wholeheartedly support Shri. K Ningthemjao Sing (KN Singh) BJP active membership no. 0075, primary membership no. 11118112, who is BJP intending candidate to contest from 7-Andro A/C in the election to the forthcoming 11th Manipur State Legislative Assembly, 2017 and hope for success to enable serve to the full satisfaction of the people of Andro A/C in particular.





HL-B/3508/8

**7-ANDRO KENDRA ELECTION STEERING COMMITTEE**